# নেসনল শুটর অমা ওইজরকপগী মপান্না থবক চঙবা মতমদা অচৌবা মতেং ওইখি : এন ইবেমপিশক



নাওরেম ইবেমপিশক
(ভেটরান শুটর)



**রত্নেশ্বরি গোশ্বামী**
**অকাউ পরৈ চল্লুরবশিং**

(হান্নগী মখা...)

রাইফল শুটিংগী চেম্পিয়নশিপ লেপখিবদগী ঐহাক লাইরিক-লাইশুদা খরা অমুক পূক্নিং চঙবা হৌরে। অদুগা হৌজিক্তি কোলেজসিসু অনকপদা কাবনা ফরে খল্লগা ওরিয়েন্টেল কোলেজদা তমজরকখি। লাইরিকসিসু ৱানা তমজরকপনিনা থৱায় য়াওনা হোৎনজরকখি। অসুম্না মথং মথং তমথজরকপদুনা বি এ এগজাম থাজরকখি। মরক্তুদা বি এ এগজাম হায়দোক্ত্রিঙৈদা ঐখোয় ইমান্নবী খরা টাইপ তমসি হায়না হৌনখি। অদুদগী চৈরাপ মনিংদা লৈবা টাইপ ইন্সটিট্যুট অমদা ঐখোয় থা খরা টাইপ তল্লকখি। মদুনা থবক চঙবদসু অচৌবা মতেং অমা ওইখি। অদুগা ঐগীদি চহী মঙা/তরুক শুটর ওইজরকখিবা, নেসনলগী, ষ্টেটকী মেদল লৌবা ঙমজখিবদুনা থবকসু ইরায় লায়না ফংজরকখি। থবক চঙবসিসু অহানবা ইন্টরভিয়ুদা এপ্লাই তৌরকপগা মায় পাকপা অদুমক ঙমজরকখি। ঐনা থবক তৌজরকপসি পি দি এ ওফিসতনি। এপ্লিকেসন থাজিনবগা নুমিৎ ইকান কান্নদনা ইন্টরভিয়ু অদুম পাঙথোরকখি। ঐদি ইন্টরভিয়ুগী ভাইভাগসি অহানবনিনা কমাই তৌগেগা করিমত্তা খঙদে। থবক্কী এপ্লাই তৌবসিসু মদুনা অহানবনি। মদুগী রিটর্ন টেষ্টতু দি এম কোলেজদা তৌখি। রিটর্ন পাস তৌবগী ভাইভা লৌবা মতাংসিদা থাংমৈবন্দগী চন্দ্রকুমার কৌবা মীওই অমনা ইন্টরভিয়ুগী চ্যেরমেন ওইবিরম্মী।

ভাইভাগী লাকপা নুমিৎতুদা ইশাগী চে চাংগা লোয়নননা ঐগী স্পোর্ট সার্টিফিকেট (নেসনলদা মেদল লৌরকখিবা) মরি মঙাদুসু হাপচিল্লগা পুখি। মী মথং মথং খরা লোইখ্রবা মতুংসিদা ঐগী য়ৌরকখি। ঐগী চে চাং য়েংগে হায়রকপসিদা ঐগী ফাইলদু লানশিল্লগা য়েংহঞ্জখি। মদুদা চ্যেরমেনসিনা ঐগী সার্টিফিকেটশিংদু মুন্না য়েংলগা হাইমা! ইবেম্মা নঙগীসিদি মমল য়াম্লবা স্পোর্টসকী সার্টিফিকেট ময়াম অমসু য়াওরিনে। য়াম্লবা মীয়াম অমদগী খঙ্গৎলক্লিবসিসু নখোয় মপালখক্তনি। টাইপ ফুবসিদসু নঙদি রিজল্ট য়াম্না ফজখি। ফরে-ফরে ভাইভাসিদদি নঙোন্দা ঐখোয়না করিসু হংনীংঙাই লৈত্রে হায়রগা থাদোরকখি। তৌবদি ভাইভাগী ঐখোয় মাপল খঙ্গৎলকপসিদা নুপা অমা ঐহাক্কা ঐখোয়নীখক্তমক পাস তৌখি। নুপাদুদি টাইপ ফুবসিদা ফজনা স্পিদ লৈবা মীওই ওইরমখি। মহাক্তি ষ্টেনোসু লোইশিল্লগা থবক ঙাইদুনা লৈবা ওইরমদুনা মহাক্না ফর্ষ্টসু তাখি।

কুমজা ১৯৮৫গী নবেম্বর থাদা থবক্তু হায়দোরকখি। লোয়নননা কুমজা ১৯৮৫গী নবেম্বর ২০দা পি দি এদা থবক জোইন তৌজখি। থবক চঙখিবদগীদি ঐহাক শান্ন-খোৎনবা অদুগুম্বগী ৱাখলগদুসু তপ্না তপ্না লৈথোকখ্রে। থবক্কী এটমোসফ্যের অমদা লৈখ্রে। অসুম্না মতম শাংনা লৈথোরকপদগী ঐহাকসি শুটর অমা ওইরম্মী হায়বফাওবা কাউথোরকখ্রে। অদুবু শান্নরোয় অমা ওইজরকপদগীনি ঙসি ঐনা হিংননবগী থবক অমা ফংবা ঙমজরিবসি হায়বসিমদি ঐহাক মতমচুপ্পদা নীংশিংজৈ। থবক তৌরকপা চহী ১০ খরা হেল্লকপা শ্বাইদা মণিপুরদা নেসনল গেমস তৌবগী ৱারী তাবা হৌরকখি। খুমন লম্পাক্তা স্পোর্টসকী ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং মথং মথং শাগৎলকপগী পাউসিসু তারকখি। লোয়নননা ফিফ নেসনল গেমসতা রাইফল শুটিংগী মশান্নসু য়াওগনি হায়বনচিংবসি তাবা ফংলকখি। মদুগা লোয়নননা খুমন লম্পাক্তা শুটিং রেঞ্জ শাবা হৌরে হায়বসিসু ইমান্নবশিংনা তল্লকখি। মতুংদু য়ৌরকপদদি ঐহাক পূক্নিং লৈতাবা ঙল্লকখিদে।

-মথং-মথং



## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –৬৭

১) ইন্দিয়াগী টেনিস শান্নরোয় সনিয়া মিরজাগা নক্লবা মরী মতা অমা হায়দ্রবাদতগী হোংখিদুনা ইংলেন্দগী টেষ্ট ক্রিকেটকী কেপ্তেন ওইখিবা নুপা অদু কনানো?
২) লৈবাক অমগী মথং খনবা যুবরাজ অমা ওলেম্পিক অহুমদা শরুক য়াখি। মহাক কুমজা ১৯৯১দা মহাক্কী লৈবাক্কী নিংথৌ ওইখি, মহাক্কী মমিং পীয়ু।
৩) যুরোপ্তা লৈবা লৈবাক অমগী নিংথৌ অমা ওলেম্পিক্তা শরুক য়াবদা মায় পাকখিদে, মহাক্কী মচানুপী লৌবা মমাক নুপা অদুদি ওলেম্পিক্কী মেদল ফংবা ঙমখি। মমাক নুপা অদু করম্বা মশান্নদা মেদল ফংখিবগে?
৪) মহাক ওলেম্পিক্কী হায়জম্প চেম্পিয়ননি। মহাক মেজিক য়াম্না হৈ। মহাক্না শাবা অঙাংগী শান্নপোৎ মালেম শিনবা থুংনা মমিং চৎলি। মতুংদা মহাক ইনাকখুনবা ওইখি। মহাক কনানো?
৫) উৎলিবা শক্তম অসিগী মমিং হায়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ৩০ ইরাই, নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

### ৪শুবা ওইনাম চার্লিস মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট

## এফ দি এস-বি অমসুং সুরমা এফ সী-এ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৬ (ঐচএনএস) : সোসিএল এনভাইরোনমেন্ট দিভলপমেন্ট ওর্গেনাইজেসন (এস ঈ দি ও) না শিল্লগা শিংজমৈ সাপম লৈকায় গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লিবা ৪শুবা ওইনাম চার্লিস মেমোরিএল মেন্স ওপন দে এন্দ নাইট ফাইভ এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা এফ দি এস-বি ৱাইখোম লৈকায় অমসুং সুরমা এফ সী-এ ৱাংজিং মায় পাকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ২৮না গ্রুপ মরি থোক্না খাইদোক্তুনা পাঙথোক্লিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসিগী অহানবা মেচ ওইনা এফ দি এস-বি ৱাইখোম লৈকায় অমসুং সী সী এফ সী ক্ষেত্রি অৱাং লৈকায় শান্নখি। মেচ অদু এফ দি এস - বিনা সী সী এফ সীবু গোল ৩-১দা মায়থীবা পীখি। ঙসিগী অনীশুবা মেচতনা বোলেরো বামোন লৈকায় অমসুং এন সী পি ময়াং ইম্ফাল গোল অমত্তা চন্নদনা ০-০দা দ্রো চৎখি। ঙসিগী অরোইবা অমসুং অহুমশুবা মেচ ওইনা সুরমা এফ সী-এ ৱাংজিং অমসুং এন ও এফ সী ৱাইখোম লৈকায় শান্নখি। মেচ অদু সুরমা এফ সী-এ ৱাংজিংনা এন ও এফ সী ৱাইখোম লৈকায়বু গোল ১-০দা মায়থীবা পীখি।




## এম পি ৱাই সী, এ এম এল এস সী, ওল্ড ষ্টার মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৬ (ঐচএনএস) : উরুপ অরাপতি দিভলপমেন্ট কোওর্দিনেটিং কম্মিটিনা শিন্দুনা অরাপতি মখা লৈকায় কাংজৈবুংদা পাঙথোকপা কৈরাও কেন্দ্র চীংমী-তম্মী ইন্টিগ্রিটি ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা এম পি ৱাই সী মরিং ফুনাল, এ এম এল এস সী অরাপতি অমসুং ওল্ড ষ্টার ক্যামগৈ মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা এম পি ৱাই সীনা ৱাই এফ য়ুবু গোল ৬-৩, অনীশুবা মেচতা এ এম এল এস সীনা এ এম এল দি এ-বিবু গোল ১১-১ অমসুং অহুমশুবা মেচতনা ওল্ড ষ্টারনা ৱাই বি সীবু গোল ৩-১দা মায়থীবা পীখি।

## শান্নরোয়শিংগী কিটস য়েন্থোকখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ২৬ (ঐচএনএস) : অনীশুবা সঙাই ট্রোফি ২০১৮দা শরুক য়াগদবা টিদ্দিম রোদ ভেটরান স্পোর্টস এসোসিএসন (টি আর ভি এস এ) গী ভেটরান শান্নরোয়শিংগী য়াইফ থৌনি পাঙথোকপগা লোয়নননা শান্নরোয়শিংগী কিটস য়েন্থোকখ্রে।

য়াইফ থৌনি অমসুং কিটস য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা স্পিসিয়েল কন্ট্রেক্টর কে নিলবিরনা চীফ গেষ্ট, টিদ্দিম রোদ ভেটরান এসোসিএসনগী সেক্রেটরি এন গোবিন্না প্রসিদেন্ট অমসুং কে হেমানা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। টি আর ভি এস এগী শান্নরোয়শিংদা য়েন্থোকখিবা স্পোর্টস কিটসশিং অদু লৈখিদ্রবা এন জি শামুগী মীংদা মালোম জি পিগী এক্স প্রধান এন জি মেঘচন্দ্রনা কৎখিবনি।

## এন ৱাই সী অমসুং ৱাই ৱাই সী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৬ (ঐচএনএস) : ব্রাইট ষ্টার য়ুনিয়ন নোংপোক ককচীংনা শিল্লগা ইবুধৌ খমলাংবা লম্পাক্তা পাঙথোক্লিবা মঙাশুবা লমলাই অমসুং অন্দ্রো কেন্দ্র ভিলেজ ৱাইজ মেন ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা এন ৱাই সী নোংদম অমসুং ৱাই ৱাই সী য়ৌরবুং মায় পাকখ্রে। টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসিগী অহানবা মেচতা এন ৱাই সী নোংদম্না বি এস য়ু-বি নোংপোক ককচীংবু গোল ২-০দা মায়থীবা পীখি। এন ৱাই সীগী মায় পাকপগী গোল অনী অদু এল নাওচা অমসুং এল সুরজনা চনখি। অনীশুবা মেচতনা ৱাই ৱাই সী য়ৌরবুংনা বোলেরো সেক্তাবু গোল ১-০দা মায়থীবা পীখি। ৱাই ৱাই সীগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু জোন্না চনখি।

## অম্বানা নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি



ইম্ফাল, মার্চ ২৬ (ঐচএনএস) : মহারাষ্ট্রগী পুনেদা পাঙথোকখিবা আই বি বি এফ মিষ্টর ইন্দিয়া ২০১৮গী কেজি ৯০গী কেটাগোরিদা মণিপুরদগী হৌখিবা হৌজিক হৌজিক্লা ইন্দিয়ন নেভিদা থবক তৌরিবা এম দি অৱাজ খান্না গোল্ড মেদল লৌখিবদা নত্তনা বেষ্ট পোজর টাইটল ২০১৮ লৌরকপদা অম্বাগী এগজিক্যুটিভ কম্মিটি অমদি মেম্বরশিংনা হরাউ নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি।

লোয়নননা মিষ্টর ইন্দিয়া কন্টেষ্ট অসিদা অম্বাগী প্লেয়র এন জয় অমসুং এন সাওলিন্না টোপ টেন চঙবা ঙমখিবা অসিগীদমক্তসু এসোসিএসন অসিনা অপেনবা ফোঙদোরক্লি।



“ঐখোয়গী লৈবাক্কী নহারোলশিং থবক থীবশিং নত্তে থবক পীবশিং ওইরক্লি। লৈবাক অসিগী নহারোলশিংগী অপাম্বশিংনা খুদোংচাবা কয়া ফংহল্লি। চহী ৩গী মনুংদা মীওই ক্রোর ১০ হেন্না গরেন্টি অমত্তা য়াওদনা লোন ফংহনখি”

নরেন্দ্র মোদি, প্রাইম মিনিষ্টর

নহাক্কী মঙলানশিং মমল নাইদে-
মুদ্রা লোন্না মখোয়বু মঙফাওনহল্লি



- অরাইবা শেন্দোইদা লুপা লাক্ষ ১০ ফাওবগী লোন লৌ
- কলেটরেল চঙলোই
- শিংগদবা লোনগী শেনফম খক্তগী শেন্দোই পীয়ু

mudra

- খুদোংচাগদবা মতমগী মনুংদা অরাইবা ইন্সটোলমেন্টশিংদা শিংদোকউ
- মুদ্রা কার্দকা লোয়নননা এ টি এম অমদগী শেল লৌথোকপা য়াগনি
- লৈবা মতমদা পি ও এস মেছিনশিং/ঈ-কম্মর্সতা শীজিন্নৌ

শিশু লোন :
₹ ৫০,০০০ ফাওবা

কিশোর লোন :
₹ ৫০,০০০ দগী ₹ লাক্ষ ৫ ফাওবা

তরুন লোন :
₹ লাক্ষ ৫ দগী ₹ লাক্ষ ১০ ফাওবা

ওন্ত্রপ্রেন্যুর ক্রোর কয়া মশা মশানা থবক পীজহনবদা মতেং পাঙলি

- ₹ লাক্ষ ক্রোর ৪.৫৩ পীথোকখ্রে
- বেনিফিসরি মশিং ক্রোর ১০.১৭

বেঙ্ক একাউন্ট হোল্ডর খুদিংমক্না প্রধান মন্ত্রি জীভন জয়োতি বিমা য়োজনা, প্রধান মন্ত্রি সুরক্ষা বিমা য়োজনা অমসুং অটল পেন্সন য়োজনাগী কান্নবশিংসু লৌবা য়াগনি। লৈত্রবদি, জন ধন য়োজনাগা লোয়নননা নহাক্কী একাউন্ট হাংউ।

davp 15415/13/0012/1718

দিপার্টমেন্ট ওফ ফাইনান্সিয়েল সার্ভিসেস
মিনিষ্ট্রি ওফ ফাইনান্স
গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া
सत्यमेव जयते

নহাক্কী মঙলানশিংদা মুদ্রা লোনগী থাজবা

ঙসিমক নহাক্কী খ্বাইদগী নক্লবা বেঙ্ক ব্রাঞ্চতা কন্টেক্ট তৌ নৎত্রগা কোল তৌ ১৮০০-১১-০০০-১ নৎত্রগা ১৮০০-১৮০-১১-১১ (টোল ফ্রী) দা
নৎত্রগা ভিজিট তৌ - www.mudra.org.in | www.udyamimitra.in